## নিরাভ মোদিগী বেল প্লি য়াখিদ্রে

লন্দন, জুলাই ২৫:

লুপা ক্রোর ১৩,৫০০ কী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) ফ্রোদ কেসতা চেন্নবা নিরাভ মোদিনা ফাইল তৌখিবা বেল পিটিসন অমা বৃটিশ কোর্ট অমনা শগোলশেল নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী জুদিসল কষ্টদিগী মতম ওগষ্ট ২২ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। ৱেষ্টমিনষ্টর মেজিষ্ট্রেটস কোর্টনা মেট্রোপোলিষ্টান পুলিসতা মহাকপু জেলদা থমদুনা মথংগী হীয়ারিং নুমিৎ ওগষ্ট ২২দা পুথোরক্কবা ওর্দর তৌখিবনি।

## ট্রম্পনা ভিটো তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২৫:

সাউদি অরাবিয়াদা দোলর বিলিয়ন কয়ামুক্কী ওইগদবা খুৎলায় অমদি মেন্টেনেন্স সপোর্ট য়োন্নবা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাংদা অথিংবা পীনবা হোৎনরিবা কোংগ্রেসকী রিজোল্যুসন অহুম প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ভিটো তৌখ্রে। রিয়াদকা অচেৎপা মরী থন্বা পাল্লিবা ট্রম্পনা হৌখিবা চয়োলদা অদুগুম্বা রিজোল্যুসনশিং ভিটো তৌগনি হায়খ্রবনি।

## নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখ্রে, ন্যুক্লিয়রগী ৱারী লুশিল্লক্লি



সিওল, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুংদা অহানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা অনৌবা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখ্রে।

চাংয়েংশিং অদু মিলিটরি থ্রেট অমনি হায়রদুনা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোর্থতা উংখৎনবগী ফিভম হন্থহনবদা মতেং ওইরোইদবা থবক অমত্তা পায়খৎতনবা তকশিনখ্রে। মিসাইলশিং অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রামশিং টার্গেট তৌরিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনগদবা বলিষ্টিক টেক্নোলোজি শীজিন্নখিব্রা নৎত্রগা শীজিন্নখিদব্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

মিসাইল অনীদু নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী নোংপোকথংবা সমুদ্র খোংবানগী সিটি ৱোনসন্দগী কাপখিবনি। মিসাইল অমদি কিলোমিটর ৪৩০ পাইরল্লগা সমুদ্রদা তাশিনখি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা কিলোমিটর ৬৯০ শান্না পাইখি। মিসাইল অনীমক নোংথক্তা কিলোমিটর ৫০ ৱাংনা পাইখৎখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোংদোকখি।

এনালিষ্ট খরনা ঙসিগী চাংয়েংশিং অদু নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা মেদা কাপখিবা মিসাইলশিং অমুক হন্না চাংয়েং তৌবা মাল্লি হায়না ফোংদোক্ল খিবা লৈরবসু সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি ওফিসল অনীনদি মিসাইল অদু অনৌবা দজাইন মাল্লি হায়খি। নোর্থ কোরিয়ানা অসুম্না ইনৌ নৌনা মিসাইলশিং চাংয়েংশিং পাঙথোরক্লিবা অসিনা হৌখিবা জুনগী অরোইবা শরুক্তা ট্রম্প অমসুং কিম্না কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা দিমিলিটরাইজ জোনদা উনদুনা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথবা হায়না য়ানখিবদুদা চিংনবা পোকহল্লে হায়রি।

মথং চয়োলদা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন সিক্যুরিটি ফোরম অমগী নাকোয়ননা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ মাইক পোম্পীওগা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর য়োং হোগা উননবা লেপ্পখ্রবনি।

## টাইৱান ষ্ট্রেটতা ৱারসিপ থৌজিনবদা চাইনানা শাওখ্রে



বৈজিং/ৱাশিংটন, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

করিগুম্বা টাইৱান্না নীংতম্নবা হোৎনবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা তারবদি বৈজিংনা লান তৌননবা শেম শরে হায়না চেকশিনৱা ফোংদোকখিবা নোংমগী মতুং শগোলশেল নুমিত্তা টাইৱান ষ্ট্রেটতা য়ু এস নেভিগী ৱারসিপ অমা থৌশিনখিবগী মতাংদা চাইনানা কন্না নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

টাইৱানগী ৱাফম অসি য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরীদা উংখৎনবা থোকহনবা মরমশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈরি। লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনহল্লিবা অতৈ মরমশিংগী মনুংদা লল্লোন-ইতিক্কী লান, য়ু এসকী অথিংবশিং অমসুং চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা মিলিটরি পাঙ্গল লেপ্তুনা শাগৎলকপগী ৱাফমশিং য়াওরি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন অমনা বৈজিংদা ফোংদোকখিবদা, চাইনাগা টাইৱানগা খায়দোক্লরিবা ষ্ট্রেটতা ইনৌ নৌনা য়ু এসকী মায়কৈদগী চথরক্লিবা থৌওংদা চাইনানা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা পোকই। টাইৱানগী ৱাফম অসি চাইনা অমসুং য়ু এসকী মরক্তা লৈবা খ্বাইদগী লুবা অমসুং মরু ওইবা ইশ্যুনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রি স্পোক্সপর্সন হুৱা চুন্যিংনা প্রেস ব্রেফিং অমদা ফোংদোকখি। টাইৱানগী মতাংদা য়ু এসনা ৱান চাইনা প্রিন্সিপল অমদি জোইন্ট কম্যুনিকে অহুম ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্লা চেকশিন্না ফোংদোকখি।

## অনৌবা টিম্না ব্রেক্সিটকী থৌরাং মায় পাকহনগনি : পি এম জোন্সন



লন্দন, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না শগোলশেল নুমিত্তা ব্রেক্সিটিয়রশিংনা মশিং য়াম্বা মহাক্কী সিনিয়র মিনিষ্টরশিংগা মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী অনৌবা গভর্নমেন্টনা বৃটেনবু ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকহনবগী থবক মায় পাক্লা পাঙথোক্কনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

জোন্সন্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওং অমদা বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থুনা পায়রকখিবা অসিনা মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি ওইরিবা লৈবাক অসিগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ব্রেক্সিটকী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্ল বগী অচৌবা মুক্কবা অমা লাক্তুনা লোমেকর কয়ানা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট য়ানিংদবগী ফিভম লৈরিবা অদুদা কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস থোকহনবা য়াই নৎত্রগা লৈবাক অসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ফিভম অমা লাকহনবা য়াই হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোংদোক্লরি।

বৃটেনগী অনৌবা লুচিংবা অসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা নুমিৎ ৯৯ নি ফাদবা মতমগী মনুংদা অনৌবা ব্রেক্সিট দিল অমা পুথোক্কনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ঈ য়ুগী লুচিংবশিংনা অনৌবা দিলগী ৱাফম য়াদবা তারবদি বৃটেন্না তঙাইফদনা দিল য়াওরবসু য়াওদ্রবসু ব্লোক অদু থাদোক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। হৌজিক ঐখোয়গী মাংদা অসিগুম্বা অরুবা থবক অমা তাদুনা লৈরে হায়না মশাগী চহী ৫৫ শুরবা জোন্সন্না নম্বর ১০ দাউনিং ষ্ট্রিটতা পাঙথোকখিবা মহাক্কী অহানবা কেবিনেট মীফমদা ফোংদোকখি।

বৃটেনগী ওইনা পুৱারীগী লুরবা তাঙ্কক অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্লা ওক্তোবর ৩১ দা নৎত্রগনা অয়েৎ-অপন লৈত্রবদি হেন্না ঙনখৎনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা পায়খৎফম থোকপশিং পায়খৎলগনি হায়না মীফম অদু হৌদোকপদা ৱা ঙাঙবদা জোন্সন্না ফোংদোকখি।

## কাবুলদা বোম ৩ পোকখায়বদা মীওই ১৫ শিরে, নঙ্গর্হরগী ব্লাষ্টতা ইমুং অমগী মীওই ৯ শিরে

কাবুল, জুলাই ২৫ (এজেন্সি) :

অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা শগোলশেল নুমিত্তা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অহুম পোকখায়খিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোংদোকখ্রে।

সিটি অদুদা য়ু এস জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী চেয়রমেন্না য়ু এস অমসুং নাটোগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা মীফম চথরিঙৈদা বোম পোকখায়গী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনি হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ মাইন্স এন্দ পেট্রোলিয়মগী ইমপ্লোয়ীশিং তোংবা বস অমদা চথখিবা বোমগী এটেক অমদা ইমপ্লোয়ী ৮ শিরে অমসুং অতৈ ২৭না অশোক অপন নংলে হায়না মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোংদোকখি।

শিখিবশিংগী অদুগী মনুংদা নুপী ৫ অমসুং অঙাং ১ য়াওই হায়রি। থৌদোক অদুগী মতুং মিনিট খরখক কান্নরগা মফমদুদগী মিটর খরদমক লাপ্পা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট



পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিখি অমসুং অতৈ ২০ না অশোক-অপন নংখি। অহুমশুবা এটেক অদুদা মশক খঙদবা মিলিটেন্টশিংনা কার অমা পোকখায়হনখিবনি হায়না কাবুলদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোংদোকখি। অহানবগী ব্লাষ্ট অনী ইস্লামিক ষ্টেটনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা লৈবাক অসিগী নঙ্গর্হর প্রোভিন্সতা মিলিটেন্টশিংনা লম্বী নাকল অমদা প্লান্ট তৌরম্বা বোম অমা গাড়ি অমদা পোকখায়দুনা মদুংদা তোংলকখিবা ইমুং অমগী মীওই ৯ শিরে অমসুং অতোপ্পা ৪না অশোক-অপন নংলে হায়না প্রোভিন্স অসিগী ওফিসলশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোংদোকখ্রে। মীওইশিং অদু লুহোংবগী থৌরম অমদা শরুক য়ানবগীদমক গাড়ি অদুদা তোংদুনা লাকপদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী ৬ অমসুং অঙাং ৩ য়াওখি অমদি অশোকপশিং অদুদা নুপী ২ অমসুং অঙাং ১ য়াওই হায়না ওফিসলশিং অদুনা মখা তাখি।

## ‘ইষ্টর বোম্মিংশিংগা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনদে’



কলম্বো, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

শ্রিলঙ্কাদা ইষ্টর সন্দেদা চথখিবা মীওই ২৫০ হেন্না শিখিবা অমদি অতৈ চা কয়ানা অশোক-অপন নংখিবা সুইসাইদ বোম্মিং এটেকশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপ্না ইথিল পীবা তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিগা হকথেংননা মরী লৈনবদি নত্তবা লোকেল ইস্লামিষ্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না শ্রিলঙ্কান ইনভেষ্টিগেটর অমনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি শ্রিলঙ্কান পুলিস ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি)গী দিরেক্টর রভি সেনেভিরাটনেনা এপ্রিল ২১ গী এটেকশিং অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট সেলেক্ট কম্মিটি (পি এস সী) দা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা ফোংদোকখিবনি। পনবা য়াই, শাথিরবা সুইসাইদ এটেকশিং অদু চর্চ অহুম, লক্সজরি হোটেল অহুম অমসুং অতৈ মফম অনীদা পাঙথোকখিবনি।

এটেক্করশিং অদুদা আই এসকী ৱাখল্লোলগী ইথিল চঙখি হায়না পল্লদুনা সেনেভিরাটনেনা ফোংদোকখি মদুদি, আই এসকী থৌওংশিংগী মতৌ তল্লদুনা লোকেল গ্রুপ অমনা এটেকশিং অদু পাঙথোকখিবনি হায়না কম্মিটিদা ফোংদোকখি।

পেনেল অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখি মদুদি, এটেকশিং অদুগী মতাংদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মরাল শীখ্রবা গ্রুপ নেসনল থাওহিথ জমাথ (এন টি জে)গী লৈহৌরিবা মেম্বরশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটতা বোম্মিং এটেকশিং অদুবু ক্লেম তৌনবা তকশিনখি। ইথৎ লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী শাথিরবা এটেকশিং অদুগী মতাংদা মাঙজৌননা ৱার্নিং কয়া ফংখিবা লৈরবসু ওথোরিটিশিংনা এক্সন লৌখৎখিবদগী মতাংদসু মহাক্লা পেন্দবা ফোংদোকখি।

## প্রসিদেন্ট ঈসেবসি লৈখিদ্রে

তুনিস, জুলাই ২৫:

কুমজা ২০১১ গী রেভোল্যুসন মতুংদা তুনিজিয়াদা দিমোক্রেসি পুরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা নোর্থ অফ্রিকাদা লৈবা লৈবাক অসিগী মশাগী চহী ৯২ শুরবা প্রসিদেন্ট বেজি কাইদ ঈসেবসি লৈখিদ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা প্রসিদেন্টগী ওফিসনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা পুখৎখিবনি। কুমজা ২০১১ দগী হৌনা লৈবাক অসিগী মরাইবক লেপ্পদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা মীশক ওইরিবা ঈসেবসি হকচাং কা হেন্না শোক্লকপদগী হৌখিবা থাদা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা চয়োল ১ লায়কন্নখিবনি।

## ওপোজিসন্না মোস্কোদা প্রোটেষ্ট শোয়দনা পাঙথোক্লগনি

মোস্কো, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নাভালনি জেলদা থম্বা য়াওনা পুলিসনা অহিংদা থিবা-হুম্বা অমদি ফাবা পুনবা কয়া তৌখিবা লৈরবসু চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা রেলি অমা হান্না থৌরাং তৌখিবগী মতুং ইন্না শোয়দনা পাঙথোক্লবা শেম-শারে হায়না রসিয়ন ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোংদোকখ্রে।

সেপ্তেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল ইলেক্সন অমদা ওপোজিসনগী কেন্দিদেন্ট ওইগদৌরিবা কয়া ইলেক্সন পেনেলনা য়াওহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবগী মায়োক্তা লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা মোস্কোদা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্লবা মীয়ামদা আপিল তৌখিবগীদমক্তা মশক নাইবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অমা ওইরিবা অলেক্সি নাভালনি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জেলদা থমখি। মহাক নুমিৎ ৩০ জেলদা লৈননবা লোকেল কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখিবনি।

মীফা-মীপুন কয়া চথদুনসু থাংজ নুমিৎকী প্রোটেষ্ট অদু শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিংনা ফোংদোকখি। লোকেল ইলেক্সন অদুদা কেন্দিদেট ওইবা থিংখ্রবা অমসুং নভালনিগী মীচং অমা ওইরিবা ইলিয়া য়াসিন্না ত্বিটরদা মীয়াম্না থাংজ নুমিত্তা করম্বা মফমদা পুনগদগে হায়বদু মশা-মশানা খঙনা থোক্লরক্লবা আপিল তৌখি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TOURISM**
**ADDENDUM**
**Imphal, the 25th of July, 2019**

**No. 4/550/2019-DTSM :** In continuation to this Directorate's Notification inviting Expression of Interest (EOI) of even number dated 17/07/2019. It is hereby informed to all the interested bidders that, they should bid online at **www.manipurtenders.gov.in** and hard copy of the documents submitted should be forwarded in a sealed envelope addressed to Director, Tourism, Directorate of Tourism, North A.O.C., Imphal West - .795001, Manipur
.Further, failure to bid online shall render disqualification of the bid

**Sd/- Yumnam Suraj Singh**
Deputy Director, Tourism
HL-B/5573/26


## বৃটিশ ভেসেলশিং নেভিনা ঙাক শেল্লগনি

লন্দন, জুলাই ২৪:

ইরান্না টেঙ্কর অমা ফাজিনখ্রবা মতুংদা নেভিগেসনগী ফ্রীদম ঙাক শেন্নবগীদমক্তা বৃটিশ ফিরাল থেৎপা ভেসেলশিংনা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুঝ ফাওদুনা চৎপা মতমদা লৈবাক অসিগী নেভিনা ঙাক শেল্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফোংদোকখ্রে।

ষ্ট্রেট ওফ হোরমুঝ ফাওদুনা চৎলিবা বৃটিশ ভেসেলশিং ঙাক শেননবা রোয়েল নেভিদা খঙহনখ্রে। অদুনা অসিগুম্বা কম্মর্সিএল ভেসেলশিংনা ষ্ট্রেট অদু ফাওদুনা চৎকদবা ওইরবদি নেভিদা মতম চানা মাঙজৌননা পাউ পীনবসু খঙহনখ্রে হায়না বৃটিশ গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা ফোংদোকখি।

## ঙামী ৪ ফাজিনখ্রে

কলম্বো, জুলাই ২৫: ইন্টরনেসনল মরিটাইম বাওন্দরি লাইন খোঙ্গাওনবা অমসুং কলম্বোগী ঈশিংগী শরুক্তা লোনা য়াদবা মওংদা ঙা ফারম্বগীদমক ইন্দিয়াগী ঙামী ৪ শ্রিলঙ্কান নেভিনা ফারে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোংদোকখ্রে। ঙামীশিং অদু জফনাদা লৈবা ফিসরিজগী ওফিসলশিংদা শীন্নরগনি হায়রি।

## আই এস য়াওবগী য়ু এ ঈদা চহী ১০ ফাদোক পীখ্রে

দুবাই, জুলাই ২৫ (এজেন্সি):

ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বর অমা ওইবগা লোয়ননা সোসল মিদিয়াদা গ্রুপ অসিগী আইদিওলোজি শন্দোক্ল দাক্লম্বগীদমক্তা ফিলিপিন্সতগী হৌরকখিবা নুপা অমা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী জেলদা চহী ১০ লৈবগী চৈরাক পীরে হায়না এমিরেট অসিগী মিদিয়া রিপোর্টশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোংদোকখ্রে।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি দব্লিয়ু এ এমনা দিফেন্দেন্ট অদু মশাগী চহী ৩৫ শুরবা এসিয়ন নুপা অমনি হায়না পনখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা অবু ধাবি কোর্ট ওফ আপিলনা দির্হামস মিলিয়ন ২ (দোলর ৫৪৪,৫৪৩) গী শেনফম অমসু ফাইন তৌখি। মহাক চৈরাক অসিগী মতুংদা জেলদা লৈরবা মতুংদা মরৈবাক্তা থারগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

য়ু এ ঈগী পাউচেশিং দ নেসনল অমসুং গল্ফ ন্যুজনা ফোংদোকখিবদা নুপা অদু ফিলিপিনো দোমেষ্টিক ৱর্কর অমনি। উকিলনা কোর্টতা মহাক সোসল মিদিয়া একাউন্টশিং ওপরেট তৌবগী টেক্নিকেল স্কিলশিং মতিক চানা লৈজদবা মীওইনি হায়না ফোংদোকখি হায়নসু নেসনল পাউচেগী রিপোর্টতা পনখি। রোইটর্সনা হীরম অসিগী মতাংদা ফিলিপিন্সকী এম্বেসি নৎত্রগা উকিল অদুগী কমেন্টশিং খুদক্কী ওইনা লৌবা ঙমখিদে। য়ু এ ঈনা হৌখিবা ২০১৪ দা এন্টি টেররিজম লো অমা পাস তৌখ্রবা মতুংদা হৌখিবা চহীদসু টেররিজম ফাইনান্সিং থেংননবগী লো অমা পাস তৌখিবনি।


TODAY
Ticket Rate Rs.2000/-
TODAY
**BUMPER HOUSIE DRAW**
In Aid of
Integrated Farmers Association
Regd. No. 910/SR/IW-2012
HOUSEFULL: SUZIKI SWIFT NEW



MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
PRIZES :
₹ 2 Lacs
Quick-5 : ₹ 10,000/-
1st Line : ₹ 10,000/-
2nd Line : ₹ 10,000/-
3rd Line : ₹ 10,000/-
★ of : ₹ 10,000/-
DATE : 26 JULY, 2019 Time :6:00 pm
VENUE : KAKWA SOFA LEIRAK COMMUNITY HALL
HL-P/3472/26



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
Advertisement
Dated, the 24th July, 2019

**No.MU/5-116/09/FCY/1583:** It is hereby notified that 1(one) Guest Faculty (Physical Chemistry with sound knowledge in computer and quantum Chemistry) on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Chemistry through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** - 03.08.2019 at 02:00 P.M.

**Place of Interview:** - Office of the Dean, School of Mathematical and Physical Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Chemistry, Manipur University, Canchipur- 795003 between 1p.m. and 02 p.m. on the same day.

Sd/- H. Tongin Maring
Assistant Registrar (Faculty)
HL-B/5574/26